**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-05-2026)**

**মে ডে (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ রাজ্য অসিদা পাক্তকনা পাঙথোকখি।

শিন্মীশিংগী থৌদাংবু শক খঙবা অমদি কৎথোকপগা লোয়ননা মখোয়না পাঙথোক্লিবা থবক্কীদমক ইকায় খুমবা উৎনবগীদমক নুমিৎ অসি পালন তৌবনি।

‘থবক শুফমশিংদা শিন্মীশিংনা ৱাখল-পুকিং অফা অপুন লৈতনা থবক শুবগী ফিভম লৈবা হায়বা হীরমদা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস(এ.আই.টি.য়ু.সি), মণিপুর ষ্টেট কমিতিনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালদা লৈবা ইরাবত ভাবন কমপ্লেক্সতা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা এ.আই.টি.য়ু.সি. মনিপুর ষ্টেট কমিতিগী জেনরেল সেক্রেটরি-এল. সোতিনকুমারনা হায়-মনিপুরগী লুরবা সমস্যা কয়া অসি য়েংলগা কুমশি চহিগী ওইনা মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ অসিদা ৱাকৎ মীফম ওইনা পাঙথোকপনি। মহাকা হায়-ইং কুমজা ২০২৩ গী মে অহুমদগী মনিপুরদা হৌরকখিবা ইরাং অসিনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদ্রিবা অসি শিন্মীশিংনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা এ.আই.টি.য়ু.সিনা তোঙান তোঙানবা ৱারোলশিং দাবী তৌখি। মদুগী মনুংদা-মনিপুরগী ইরাং অথুবদা ৱারোইশিন পুরকউ, হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংদুনা হায়ৱেশিংদা অশোয় অঙাম য়াওদনা চৎহনবা, শিন্মীশিংগীদমক্তা য়ামদ্রবদা থাগী খুৎশুমল লুপা লিশিং ২৬ ওইহল্লু। অরিবা পেন্সন স্কিম চৎনহল্লু। পাব্লিক সেক্তর ওফিসশিং প্রাইভেটাইজেসন তৌবা য়ারোই হায়বনচিংবা দাবীশিং অসিনি।

মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ, সরকারগী শিন্মী, কর্ম্মচারি অমসুং

পেন্সনরশিংগী ওইবা এপেক্স বোদি-এমটুক অমসুং এম.জি.ওগী জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল (জে.এ.সি) না শিনদুনা বাবুপারাদা লৈবা ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

এমটুক অমসুং এম.জি.ওগী হান্না মতম শাংনা থৌ পুরম্বা লৈখিদ্রবা শিন্নীশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎতুনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

কংলৈপাক ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কেদোনসু নুমিৎ অসি ইম্ফালগী লৈমরেল শিদবী ইমা কৈথেলদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসি লিংখৎখিবা চহি ১৯ মপুং ফারকপগী কুমওন থৌরমসু পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা চান্দেল জিলাগী সেলোন অমসুং ন্যু সোমতালদসু মামেলগী শিন্নীশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই ১০০ হেনবনা শরুক য়াবগা লোয়ননা শৈরেং থিবা, পোষ্টর য়েকপা চাংদমবনচিংবা পাঙথোকখি। তুংদা, ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমসু পাঙথোকখি।

ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী ন্যু সোমতালদসু অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মালেমগী শিন্নীশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি। ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক তৌরিবা বি.আর.টি.এফকী শিন্নীশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা নুমিৎ অসি মফম অদুদা পাঙথোকপনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা শিন্নীশিংনা সমাজগীদমক লৌরিবা থৌদাংশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংদা লৈবা ক্ষেত্রিময়ুম ইরাবত মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা উ চারা থাখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা শিন্নীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ইবুধৌ নোংশাবা অমদি ইবুধৌ পাখংবা অনিগী কালেন চেং হোংবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী সনা কোনুংগী উত্রা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বসু শরুক য়াখি।

**রেড ক্রোস (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সকী অহানবা মেনেজমেন্ট কমিতিগী মীফম ঙসি থঙ্গাল বজার এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা সোসাইতি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা কুমজা ২০২৬-২০২৯ ফাওবগী থৌ পুগদবা থৌমীশিং খনখ্রে। কমিতি অসিগী চেয়ারমেনন-নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা ওইরগনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** কেথোলিক কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা কোন্নরস স্তোন লারজ এরিয়া মল্টি পরপজ সোসাইতি লিমিটেদকী চহিগী ওইবা মীফম ঙসি চান্দেল জিলাগী লিৱা চনিংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চান্দেল সব-দিভিজনগী মনুংদা লৈবা খুল ১৯ গী লৌমীশিং অমদি আর্টিসিয়ানশিংনা শরুক য়াখি।

**বুধ (এল)ঃ** ভগবান বুধ পোকখিবা অমসুং বুধগয়াদা অরান খুভম ফংখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা ঙসি বুধ পুর্ণিমা পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা পীবা পাউজেলদা হায়-নুংশি চান্নবগী তঙাইফদবা খুন্নাই অসিদা বুধনা তাকপীরম্বা পাউতাকশিং অদুনা অপুনবা অমদি মচিন-মনাও ওইবগী লীপুন অদু হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা

লুচিংবা কয়ানসু নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

**গৃহঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি লদাগকী লেহদা বুধ পুর্ণিমাগা মরী লৈননা ভগবান বুধগী শেংলবা পোৎলমশিংগী মেলা অমা হৌদোকখ্রে।

মীয়ামদা বুধ পুর্ণিমাগী য়াইফ পাউজেল পীরদুনা শ্রী সাহনা হায়-চহি ৭৫ গী মতুংদা অসিগুম্বা শেংলবা পোৎলমশিং অসি লদাগতা পুরক্লে। মন্ত্রিনা হায়- ভগবান বুধগী ৱাখল লৌশিং অমসুং পাউতাকশিং অদু মহাকা তাকপীরম্বা চহি লিশিং ২,৫০০ গী মতুং ফাওবা অসিদা অদুম্মক চান্ননা লৈরি। লদাগ অমদি কার্গিলদা লৈবা ভগবান বুধগী তুংইনবশিং খক্তা নত্তনা অতৈ ধর্ম্মগী মীওইশিংনা ফাওবা ভগবান বুধগী অসিগুম্বা শেংলবা পোৎলমশিং অসিদগী শক্তি ফংলগনি হায়নসু শ্রী সাহনা থাজবা ফোংদোকখি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** পান্থোইবী নত্য মন্দির, য়ুমাম লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৫৪ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ষ্ট্রেনথনিং কলচর এন্দ ভেল্যু ইন এদুকেসনসু স্পোর্টস স্পিসেল্লি শগোল কাংজৈ ওফ মনিপুর হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ ১৫ নি চথুরকপা ৱার্কশোপ লোয়শিনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরমদুদা আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-কে.ঐচ. লোকেনসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-খেমচান্দনা হায়-পান্থোইবী নত্য মন্দিরনা হেক লিংলকপদগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মনিপুরগী জগোই অমসুং থিয়েটরগী লমদা নহা কয়াবু শেমগৎতুনা লাক্লি। মুখ্য মন্ত্রিনা ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়ারিবা নহা ৩১ রোমদা সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ঠিয়েটরগী লমদা শকাইরবা মীওইশিংবু ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাইময়ুম মিনাকুমারী দেবীদা মিংলেনখোংবা-২০২৬ মনা খুৎশিন্নখি।

**মৈ(এল)ঃ** য়ুরেম্বম সব ষ্টেসনদগী টিদিম ৱান ফিদরনা মৈ পীরিবা থরোইজম, সলাম, লুক্রের, লৈতোং, হাউরং কৈরেং, মাকলং, কাচিখ্‌ল, সঙাইথেলনচিংবা মফমশিংদা হয়েং মৈ ফংলোই হায়রি।

ঐচ.টিগী লাইনশিং শেমজিনগদবনা মরম ওইরগা হায়রিবা মফমশিং অসিদা অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং মরি ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা মীয়ামগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা অমদি ঙাকশেলগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংননবগী পান্দমদা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, মেদিকেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিং, হৈনৌপোক্কী ৱার্ড মেম্বরশিং, সঙাইথেল হায়স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমদি খুলগী খুল্লাকপশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী থৌরম মখা তানা চৎখরি।

অসাম রাইফলসনা অককবা পাউগী মতুং ইন্না মমাং থাদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবশিংগী মথক্তা ওপরেসন চৎথবগী থবক লেপ্তুনা চৎখরি। ককচিং জিলাদা মীওই তরেৎতগী ক্বা সুপারি কিলোগ্রাম ৭৫ ফাগৎপা ঙমখি। চান্দেল জিলাদনা মপান লমগী চুরুপ ফাগৎখি। তেংনৌপল জিলাদগীনা লুপা লাখ ৩৮ রোমগী মমল ওইগদবা য়ুঙাং ফাগৎখি। উখ্রুল জিলাদগীনা মীওই অমা শেল ওইনা লুপা লাখ ৩৬ ফাগৎখি। মসিগী মথক্তা চুরাচান্দপুর জিলাদা লুপা কোতি ৮ মখায়রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম মরি গ্রাম ২০০ হেন্না ফাগৎপা ঙমখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙরাং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ২০ হেনবনা ঈ দান তৌখি।

অমরোমদা, লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী রাইফলমেনশিংগী মফমদা

ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি তমেংলোংদা পাঙথোকখ্রে। রাইফলমেন-কৃষ্ণকুমার অমসুং পি.পি.ভাস্কর, মনিপুরগী জোপীদা লালহৌলুপশিংনা এম্বুস তৌরকপদা লৈখিদবনি। মখোয়গী মফমদা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট য়াওনা ওফিসারশিংনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**জিএসটিঃ** গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) খোমগৎপগী চাং মমাং থাগী এপ্রিলদা শিংথানিংঙাই ওইনা ৱাংখি।

মমাং চহিগী মতম অসিগা য়েংনরুবদা কুমশি চহি অসিদা জি.এস.টি. খোমগৎপগী চাং চাদা ৮.৭ হেনগৎখি। জি.এস.টি. কল্লেক্সন অসি লুপা কোতি লাখ অনি লিশিং ৪২ হেন্না ওইখি। মসি মমাং চহিগী থা অসিমক্তদা লুপা কোতি লাখ অনি লিশিং ২৩ খক্তমক ওইবা ঙমখি। মমাং থাদা গ্রোস সেন্ত্রেল জি.এস.টি. কল্লেক্সন অসি লুপা কোতি লিশিং ৫২ হেন্না অমসুং ষ্টেট জি.এস.টিনা লুপা কোতি লিশিং ৬১ হেন্না খোমগৎখি। গ্রোস ইন্টিগ্রেটেদ জি.এস.টিনা লুপা লাখ অমা লিশিং ২৯ হেন্না খোমগৎপা ঙমখি।

**এলপিজিঃ** কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি-প্রহ্লাদ যোসিনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনানা চহি ১০ মপুং ফারকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী য়ুমথোং কোতি কয়ামরুমদা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা মন্ত্রিনা হায়-স্কিম অসিগী খুত্থাংদা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সিদা অওনবা পুরক্তুনা নুপীশিংবু শক্তি পীবগা লোয়ননা মপাঙ্গল ফবা ভারত অমা ওইনবগী য়ুন্বী হেন্না মরা চেৎশিলহল্লে। মহাকা হায়-মৈখু থোকপা ইমুংদগী হেন্না শাফগদবা হকচাং শোক্লোইদবা প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনানা মমা ওইবীশিংগী ইজৎ হেনগৎহনবতা নত্তনা ইমুং কয়াগী হিংবগী পুন্সি লায়থোকহল্লে।

**ওসিআইঃ** সরকারনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট রুল-২০২৬ লাউথোকখিবগা লোয়ননা ওভরসিজ সিতিজন ওফ ইন্দিয়া (ও.সি.আই) গী কার্ড পায়বা অমসুং সিটিজন্সিপকী এপ্লিকেসনগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া নৌনা শেমদোক্লে।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা সিটিজন্সিপ রুলস-২০০৯ দা অহোংবা খরা পুরক্লে। মন্ত্রালয়না হায়-পীক্লিবা অঙাং অমনা ভারতকী পাসপোর্ট পায়না-পায়না অতোপ্পা লৈবাক্কী পাসপোর্ট পায়বা য়ারোই। নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না ও.সি.আই. কার্ড রেজিষ্ট্রেসন অমসুং রিননসিয়েসনগী এপ্লিকেসনশিং সরকারগী পোরটেলগী খ্খাংদা পীশিল্লক্কদবনি।

ও.সি.আইগী ষ্টেটস রিননসিয়েসন তৌরবা মতুংদা কনাগুম্বা মীওই অমনা মহাকা পায়রিবা ফিজিকেল কার্ড অদু মনাক নকপা ভারতকী মীসন নৎত্রগা পোষ্ট নৎত্রগা ফোরেন্সর রিজনেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারদা সরেন্দর তৌগদবনি।

**মেঘালয়ঃ** মেঘায়লগী রাজ্যপাল-সি.ঐচ. বিজয়শঙ্করনা ঙসি শিল্লোংদা লৈবা লোক ভাবনদা মীকোক থিবগী সেল্ফ ইন্যুমেরেসন কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীকোক থিবা অসিগীদমক শেম শারিবশিং অদুগী মতাংদা দাইরেক্তোরেট ওফ সেন্সস ওপরেসনগী ওফিসিএলশিংনা রাজ্যপালদা পাউদমখি। হন্দক্কী মীকোক থিবা অসি দিজিটেল ওইনা তৌগনি। মীকোক থিবগী থবক অসি মথং থাগী ১৫ ফাওবা চত্থগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা সেল্ফ ইন্যুমেরেসন অমসুং হাউস লিষ্টিং ওপরেসন পাঙথোক্কনি। মে ১৬ তগী জন্ ১৬ ফাওবদনা সরকারনা খল্লবা ইন্যুমেরেটরশিংনা মীওই অমগী য়ুমলৈ কৈরৈ, লন-থুম অমদি তঙাইফদবশিংগী মতাংদা ৱাহং ৩৩ য়াওবা অকুপ্পা ৱারোলশিং লৌখৎকনি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্তুনা মীকোক থিবগী থবক চত্থগনি।

**মিজোরামঃ** মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবশিং থোরকপা মতমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা পান্দমদা মিজোরাম সরকারনা খ্বারেল কৌবা মোবাইল এপ অমা হৌদোকখ্রে।

মোবাইল এপ অসি ঙরাং দিজাস্তর মেনেজমেন্ট অমসুং রিহেবিলিটেসন মন্ত্রি-লালনি লোমানা আইজোলদা হৌদোকখিবনি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-মোবাইল এপ অসিনা মহৌশানা থোকপা খুদোংথিবা থোরকপা মতমদা মীয়ামনা মরী লৈনবশিং অমসুং ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্ট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিদা পাউ পীদুনা খুদক্তা থবক পায়খৎপা য়ানবনি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা মতমগা চুন্নরবা দিজিটেলগী থৌওং অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা মিজোরামনা অহানবা ওইনা পায়খৎপনি।

**ওকপাঃ** রাজস্থানগী উদয়পুরদা মমাং থাগী ২৬ তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা নেসনেল সব জ্নিয়ার, জ্নিয়ার পৱার লিফতিং এন্দ দেদ লিফট চেম্পিয়নদা সনাগী তকমান লৌরক্লবা অমসুং জ্নিয়ার স্ত্রোং মেন ওফ ইন্দিয়া তারক্লবা হঞ্জবম রিতিক রাজপু হান্নগী এম.এল.এ. ওক্রম হেনরিনা শরুক য়ারদুনা সিটিজন্স ক্লব-ৱাংখৈ খুনৌ সোইবম লৈকাইদা তরামা ওকখ্রে।

পৱার লিফতিংগী কিলোগ্রাম ৮৩ গী কাংলুপ্তা হঞ্জবম রিতিক রাজনা সনাগী তকমান অমসুং জ্নিয়ার স্ত্রোং মেনগী টাইতল ফংলকখি।

**ফুটবোল ঃ** কিয়ামগৈ হৈবোংমখোং গ্রাউন্দদা চঙ্খরিবা ১৪ শুবা খাগেন্বা ফুটবোল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেলদা আর.এস.সিনা পি.এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

অনিশুবা মেটচতা-সি.ঐচ.এস.এস. ময়াং ইম্ফালনা হৈঙাং এফ.সিবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৯-৮ দা থোইখি।

হয়েং কে.এফ.এ. লাইফম খুনৌ অমসুং সাই-উৎলৌ অমদি মরিশুবা

ক্বাটর ফাইনেলদা দি-স্কার নোংমৈবুং অমসুং সুফা-শগোলবন্দ শান্নগনি।

**ফুটবোল ঃ** মনিপুরগী কৈনৌ লাইব্রেরী এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (ক্লাসা), বিষ্ণুপুর অমসুং এফ.সি. রেংদাইনা মখোয় মখোয়গী আই-লিক থার্দ দিভিজনগী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

মধ্য প্রদেসকী মুলনা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা-ক্লাসানা দা দাইমন রোক ওফ মধ্য প্রদেসপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা-এফ.সি. রেংদাইনা সিক্কিম ব্রদরহুদ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** শামুরৌ মখা লৈকাইদা চথুরিবা অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিংগোং ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-কৈনৌ এফ.সিনা ইপাক খাথোংবু পাঞ্জল ১-০ দা, দ্রোসা ইন এফ.সিনা লমলাই এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।